### দি জি আসাম রাইফলস ইক্বেষ্ট্রিয়ন চেম্পিয়নসিপ

# চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লবনা জুনিয়র অমদি সেনিয়রগী টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে

POLO

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৪ঃ* চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লবনা ১১ শুবা দিরেক্টর জেনরেল আসাম রাইফলস কপ ষ্টেট ইক্বেষ্ট্রিয়ান চেম্পিয়নসিপ ২০১৪গী জুনিয়র অমদি সেনিয়রগী ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

থা অসিগী ১ দগী ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চথরকখিবা চেম্পিয়নসিপ অসিগী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা সেনিয়র টেন্ট পেগ্গীংগী লেন্স টিম ইভেন্টতা চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব (এ)না গোল্ড, ইষ্টর্ন ইষ্টুদেন্ট ক্লব (বি)না সিলভর অমদি কংলৈপাক পোলো ষ্টার ক্লবনা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে।

জুনিয়র বোইজকী সো জম্পিং ইভেন্টতা নম্বুল মপাল পোলো ক্লবকী এল তোনি সিংহ অমদি মহাক্কী শগোল লান্দাবনা গোল্ড, নাগামপাল য়ুঠ পোলো ক্লবকী এস সরত সিংহ অমদি মহাক্কী শগোল লুৱাওবনা সিলভর অমদি চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লবকী এন বব্লু সিংহ অমদি মহাক্কী শগোল খোংদ্রেনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

সেনিয়র মেন্সকী সো জম্পিংদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এ)গী টি ঐচ রঞ্জিৎ সিংহনা গোল্ড, নম্বুল মপাল পোলো ক্লব (বি)গী এল মোচানা সিলভর অমদি খুরাই পোলো ক্লবকী এস জেমসননা ব্রোঞ্জ লৌখি।

চেম্পিয়নসিপ অসিগী মার্চ পার্সতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা ফার্ষ্ট, খুরাই পোলো ক্লবনা সেকেন্দ অমদি নম্বুল মপাল পোলো ক্লব (সি)না অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

চেম্পিয়নসিপ লোয়শিনবগী থৌরমদা আসাম রাইফলসকী দিরেক্টর জেনরেল লেফটিনেন্ট জেনরেল রনবির সিংহ, মণিপুর হোর্স রাইদিং এণ্ড পোলো এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এস বুধচন্দ্র সিংহ, আই জি এ আর সাউথকী মেজর জেনরেল রজিপ চোপ্রা অমদি ইম্ফাল ব্রেষ্টকী দি সি কে রাধাকুমার সিংহনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইদুনা মনা মথুমশিং য়েন্থোকখি।



জুনিয়র অমদি সেনিয়রগী ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রবা টিমদা চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লবতা আসাম রাইফলসকী দি জি রনবির সিংহনা ট্রোফি খুৎশিন্নরবা মতুংদা পুন্না ফোটো নম্মীন্নখিবা

## ঐচ ব্রাই পি সি না ৱিন্নর ওইখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৪ঃ* হেয়েল য়ঙ পোপুলর ক্লব (ঐচ ব্রাই পি সি) হৈয়েলনা ১০ শুবা ষ্টেট লেভেল নাইন এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ হৈয়েল ট্রোফিগী ৱিন্নর ওইখ্রে।

ইবুধৌ ইকোপ নিংথৌ মরু নোংশাবগী শান্নবুং হৈয়েল উচিৱাদা মমাং থাগী ২৪ দগী টিম ৮ না শরুক য়াদুনা চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ঐচ ব্রাই পি সি হৈয়েলনা সি টি হায়র সেকেন্দরি স্কুল ময়াং ইম্ফালবু গোল ৩–২ দা মায়থীবা পীরগা ৱিন্নর ওইখিবনি। ঐচ ব্রাই পি সিগী গোলশিং অদু এম দিপক্কা অহানবা অমদি তরুকশুবা মিনিটতা অনী অমদি ধনঞ্জয়না ৩৪ শুবা মিনিটতা অমা চনখিবনি। সি টি হায়র সেকেন্দরিগী গোলশিং অদুনা জিমি অমদি দেনিয়েলনা মথংশিংনা ১৮ অমসুং ৩৮ শুবা মিনিটতা অমম চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট দিসিপ্লিন টিম্না ট্রুগপু চার্জর নম্বোলনা তাখি। বেষ্ট প্লেয়র, বেষ্ট গোলকিপর, বেষ্ট দিফেন্দট্র, বেষ্ট মিদফিল্ডরনা মথংশিংনা সি টি হায়র সেকেন্দরিগী বিদ্যাসাগর, প্রেম, ঐচ ব্রাই পি সিগী এল দেবিদ অমদি চিংথংখোম্বনা তাখি। টোপ স্কোররনা ঐচ ব্রাই পি সিগী ষ্ট্রাইকর এম দিপক্কা গোল ৪ চন্নগা তাখিবগা লোয়ননা বেষ্ট কোচকী মনাসু টিম অসিগী কোচ ওইখিবা টি ঐচ সুর্জিৎ খাবনা তাখি।

## ফুটবোল দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম লোয়শিল্লগনি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৪ঃ* দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবাল অমদি এস দব্লিউ ব্রাই সিনা শিন্দুনা চরাংপাৎ মমাং লৈকাই পোলো গ্রাউন্দদা চথরকখিবা ফুটবোল দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম লোয়শিনবগী থৌরম থা অসিগী ৬ কী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি।

লোয়শিনবগী থৌরম অসিদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি কে মেঘচন্দ্র সিংহ, দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালগী প্রসিদেন্ট এল চন্দ্রকেশ্বর সিংহ, চরাংপাৎ গ্রাম পঞ্চায়েটকী প্রধান এল অনিতা লৈমা, কে বারুনি অমদি ইবোয়াইমনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইগনি।

## বোরুননা ইন্দিয়া ক্লাসিক্কী ওভর ওল টাইতল লৌখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৪ঃ* মণিপুরদগী হৌখিবা বোদি বিল্ডর হৌজিক হৌজিক্কা সি আর পি এফকী বোদি বিল্ডর ওইরিবা বোরুন য়ুম্নাম্না থা অসিগী ২ দা ইন্দিয়ান বোদি বিল্ডিং ফেদরেসননা শিন্দুনা মহারাষ্ট্রগী সতারা দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ান ক্লাসিক বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নসিপ্তা ওভর ওলগী টাইতল লৌখ্রে।



ইন্দিয়া ক্লাসিক্কী ওভরগী টাইতল লৌখ্রবা বোদি বিল্ডর বোরুন য়ুম্নাম

বোরুননা লেমজনিঙাই ওইরবা ওভর ওলগী টাইতলগা লোয়ননা টাটা নেনো কার অমসু ফংখি। মহাক্না ওভর ওলগী টাইতল লৌরকপদা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এণ্ড ফিটনেস এসোসিয়েসননা হরাওবা ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা এসোসিয়েসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা মখা তারদুনা মার্চকী তাং ১৩ দগী ১৪ ফাওবা য়ু পি দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫২ শুবা জুনিয়র নেস্নেল বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নসিপ ২০১৪ দা শরুক য়ান্নবগী মণিপুর টিম খন্নবগী টায়েল সেলেক্সন অমা অথুবা মতমদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

## অনীশুবা শগোলবন্দ কেন্দ্র ফুটবোলগী সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৪ঃ* শগোলবন্দ মন্ত্রি ময়ুম লৈকাই ভলন্টি ওর্গনাইজেসননা শিন্দুনা বিজয় গোবিন্দা লম্পাক্তা চথরিবা অনীশুবা শগোলবন্দ কেন্দ্র সবেন এ–সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩গী সেমি ফাইনেলগী লাইন অপ লোয়খ্রে। সেমি ফাইনেল চঙখ্রবা টিমশিং অদুদি কে ব্রাই সি কাখুলোং, এস ব্রাই দি এ বিজয় গোবিন্দা মমাং লৈকাই, এস এস এ এন থাংজম লৈরক অমদি কে টি ঐচ এল ব্রাই ও ক্বাকৈথেলনি।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এস এস এ এন থাংজম লৈরক্না এল কে ঐচ ব্রাই সি শগোলবন্দ মোইরাং লৈরকপু গোল ৫–৪ দা মায়থীবা পীখ্রে। এস এস এ এনগী গোলশিং অদু টি ঐচ হেরাচন্দ্রনা ৮, ২৫ অমদি ৫৭ শুবা মিনিটতা ৩, ব্রাই অগ্নিকুমার অমদি টি ঐচ সচিকুমারনা ২০ অমদি ২৪ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। এল কে ঐচ ব্রাই সিগী গোলশিং অদুনা দব্লিউ কান্তনা ১১, ৬০+১ শুবা মিনিটতা অনী, রবি অমদি রাজেসনা ২৮ অমসুং ৫০ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা কে ব্রাই সি কাখুলোংনা এল ব্রাই য়ু ওল লম্বুলেনবু গোল ৩–২ দা মায়থীবা পীখ্রে। কে ব্রাই সিগী গোলশিং অদু লাংজামৈ, গোলুংপু অমদি পাউলিনমৈনা চনখিবনি। এল ব্রাই য়ুগী গোল অনী অদুনা তাঙ্গৌলাননা অমা অমসুং কে ব্রাই সিগী গাইসিঙম্না আউন গোলদা অমা চনখিবনি।

# কে আই ব্রাই সি জিরি কপকী ফাইনেল চঙখ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৪ঃ* ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুঠ ক্লব (কে আই ব্রাই সি) ইম্ফাল ইষ্ট জিরি কপকী অহানবা ফাইনেল চঙবা টিম ওইখ্রে।

জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শিন্দুনা চথরিবা ১০ শুবা জিরি কপ ইনভাইতেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা কে আই ব্রাই সিনা ব্রাই দি ও ইম্ফাল ব্রেষ্টপু টাই ব্রেক্তা গোল ৪–৩ দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখিবনি।

মেটচ অদুদা টিম অনীনা অপীবা মতমগী মনুংদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী টাই ব্রেক্কা মেটচ অদুগী লাইবক লেপ্পখি। টাই ব্রেক অদুগী কে আই ব্রাই সিগী গোলশিং অদু এম দি অসিফ, ব্রাই জেকি, গান্ধি কামৈ অমদি অকবর খাননা চনখিবনি। ব্রাই দি ওগী গোলশিং অদুনা ও ওলেন সিংহ, ও রোসন সিংহ অমদি টি ঐচ কিষননা চনখিবনি। কে আই ব্রাই সিগী এম দি ব্রাহাজ অমদি ব্রাই দি ওগী এম সঞ্জয় সিংহদা রেফরিনা মথংশিংনা ২০ অমসুং ৬০ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।



১০ শুবা জিরি কপ ইনভাইতেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী কে আই ব্রাই সি ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ব্রাই দি ও ইম্ফাল ব্রেষ্টনা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচকী মতাং অমা

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগা এল ব্রাই সি জিরিবামগা শান্নগনি।

## য়ু বি এস এ অমদি ট্রাউ ফাইনেল শান্নরগনি

FOOTBALL

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৪ঃ* য়ুনাইটেদ ব্রাদর্স স্পোর্টস এসোসিয়েসন(য়ু বি এস এ) মন্তক অমদি টিদিম রোড এথলেটিক য়ুনিয়ন (ট্রাউ) ক্বাকৈথেলনল ১০ শুবা দি এস এ ট্রোফি, ৭ শুবা নাওরেম ভুবোন মেমোরিয়েল ষ্টেট লেভেল ইনভাইতেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ফাইনেলদা থেংনরগনি।

দি এস এ গ্রাউন্দ ককচিংদা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা য়ু বি এস এ মন্তক্না সাই এস এ জি উৎলৌবু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখিবনি। য়ু বি এস এগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু কোসিলনা ১৭ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

## জুনিয়র অমদি ভেটরান ভোল্লিবোল

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৪ঃ* উচিৱা ৱাংমা পোপুলর ৱেলফিয়ার ক্লবনা শিন্দুনা হয়েংদগী ক্লব অসিগী শান্নবুংদা অহানবা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র অমদি ভেটরান ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ হৌরগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা কন্দক্ট তৌগদবা রেফরিশিং ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসননা লাওথোকখ্রে। রেফরিশিং অদুদি এম ইবোতোম্বা, এল সান্তরাম, সনাজাওবা, মঙলেম্বা, তোম্বা অমদি রাজেননি।












Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*